# নেসনেল দিৰার্মিং দে,২০১৯ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৮ (এস এন এস)ঃ ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি,নেসনেল হেল্থ মিসন,মণিপুরনা শীন্দুনা ষ্টেট অসিগী ওইনা ইবোতোনসনা হয়ার সেকেন্দরি স্কুল,উরিপোক, অঙ্গনৱাদি সেন্টর,তেরা তোংব্রম লৈকাই অমসুং হেল্লি স্কুল,সোইবম লৈকাইগী মহৈরোইশিংদা হিদাক পীজদুনা ঙসি নেসনেল দিৰার্মিং দে, ২০১৯ হৌদোকখ্রে।

নেসনেল দিৰার্মিং দে হৌদোকপগী পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ার সার্ভিসকী দাইরেক্টর ডা. কে রাজোনা ফোঙদোকখবদা,কুমজা ২০১৫দগী হৌখিবা নেসনেল দিৰার্মিং দে অসি ষ্টেট অসিদসু মপুং ফানা চৎনদুনা চহী ১দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং দিৰার্মিংগী হিদাক মায় পাক্না পীজমা ঙম্লে। অঙাংশিংদা লায়না–ত্রিম্না য়াওহন্দনা মশা–মউ ফনা থম্নবা পান্দমদা দিৰার্মিংগী হিদাক অসি চহী ১দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা পীজবনি।

অঙাংদা তিন লৈরবদি মশা ময়াং কংবা, খোঙ চিফেৎ–চিফেৎ হান্সা,মবুক কঙখৎপা, তনবা,লাইরিক–লাইশু থৰায় য়াওরক্তবনচিংবা তৌগল্লি। মখোয়বু হৌজিক্তগী হৌনা চাবা থকপগী লমদা ফগৎহন্দুনা হকচাং ফহনবা, লাইরিক–লাইশুদা থৰায় য়াওহন্দুনা তুংদা অফবা মী ওইনবা শেমগৎপনি। মসিদা তিন লৈবা–লৈতবা থিদনা লায়ওং কয়াদগী ঙাকথোকহৌনবা দিৰার্মিংগী হিদাক অসি চাহৌবা ফৈ। মসিনা মশা–মউ ফবা তুংগী অফবা যুম্বী অমা ওইবা ঙমগনি। ষ্টেট অসিদা চহী ১দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদালৈরিবা অঙাং লাক্ষ ১০ হেনবসিদা হীদাক অসি পীজবা ঙম্নবা হোৎনসি। মসিদা ষ্টেটসিগী দিপার্টমেন্টশিং মরুওইনা এডুকেসন অমসুং সোসিয়েল ৱেলফিয়ারনা মতেং পাংবিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ডা. এস মনিকান্ত, ষ্টেট মিসন দাইরেক্টর, এন ঐচ এমনা ফোঙদোকখিবদা,নেসনেল দিৰার্মিং দে হায়না পাঙথোক্তুনা অঙাংশিংবু হীদাক পীজরিবসি কুমজা ২০১৪দা ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন্না ইন্দিয়াদা সর্ভে অমা চৎপা মতমদা মীওই ক্রোর ২২ হেন্না তিন লৈদুনা নাবা থেংনরকখি। মসিদগী দিৰার্মিংগী হিদাক পীজবা হৌখিবনি। চহী ১দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং অসিদা মফম অমদা মশীং য়াম্না পীজনবা পাম্বৈ থিরকপদা অঙাং অয়াম্বা মহৈ তম্লিবনা এডুকেসনদা মায় ওনশিনবনি।

অঙাংশিংবু এডুকেসনগী খূথাংদা মশাগী পার্সোনেল হায়জিন লৈহন্দুনা মশা–মউ ফনা লৈহনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। দিৰার্মিংগী হিদাক অসি পীজ হৌদবদগী তিন লৈদুনা নাবা থোক্লবদি ব্রেইনগী লায়না কয়া লাকপা য়াই। অদুনা অঙাংশিংনা দিৰার্মিংগী হিদাক শুংশোয়–শোয়দনা চাগদবনি। হিদাক অসিদা সাইদ ইফেক্ট লৈবগী ৱাফম লাক্লবসু মদুবু কাউন্টর তৌনবা টিম শেমদুনা থম্মী হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এ সেলভিয়া, এস এন ও, চাইল্ড হেল্থ না নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা নেসনেল দিৰার্মিং দে অসি কুমজা ২০১৫দগী হৌখিবনি। অঙাংদা লৈবা তিন অসি লৈহন্দনবা চহী ১দগী ১৯ ফাওবদা লৈবা অঙাংশিংদা এলবেন্দাজোল হায়রিবা হিদাক অসিপীজবনি। তিন লৈবা অঙাংশিংবু মশা ইতন তনবা হৈনিং দবা, লাইরিক –লাইশু থৰায় য়াওদবা, ৱাখল অমসুং হকচাংগী চাউখৎলকপদসু মসিনা শোকহল্লি হায়খি।

লোয়নবা অঙাংশিংদা তিন লৈরক্লিবসিগী মরুওইবা মরমশিং দি ওপন দিফেক্সন তৌবা, চারম–থক্লমদাইদা খূ–শা শেংনা হামদবা চানা–থক্লবা পোৎলমশিং শেংনা চামদবা, চিঙ্গাক মখুম নীংথিনা কুপ্তবা অসিনচিংবদগী ওইহল্লকপনি। অদুনা হায়রিবশিং অসি ঙাক্লা চৎপা মথৌ তাই। দিৰার্মিংগী হীদাক অসি চহী ১দগী ২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংদা এম এল ৪০০গী টেব্লেট অসি তঙ্খাই অমা পীজগনি। অমসুং চহী ২দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদনা এম এল ৪০০গী টেব্লেট অমমম পীজগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা টি ঐচ কিরনকুমার দাইরেক্টর এডুকেসন (এস), ইল্লা ষ্টেট প্রোগ্রাম ওফিসার, আই সি দি এস অমসুং ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি, এন ঐচ এম মণিপুরগী ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

# থাইলেন্দদা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ফেষ্টিভেল হৌখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৮ (এস এন এস)ঃ ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনগী মখাদা লৈরিবা নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল অমসুং এম্বেসি ওফ ইন্দিয়া টু থাইলেন্দনা পুন্না খুৎশম্নদুনা থা অসিগী ১০ ফাওবা চখগদবা অহানবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ফেষ্টিভেল ঙসিদগী থাইলেন্দদা হৌদোকখ্রে। ফেষ্টিভেল অসিদা টুরিজম কোর্পোরেসন ওফ মণিপুর লিমিটেদকী চ্যারমেন ডা. সাপম রঞ্জননা লুচিংবা লোয়নবা এদভাইজর টু চীফ মিনিষ্টর রজট সেঠি, দাইরেক্টর টুরিজম দব্লিউ ইবোহল, মণিপুরগী টুর ওপরেটরশিং য়াওবা মীহুৎ কাঙবু অমনা শরুক য়ারি। লোয়ননা মণিপুরগী ওইনা লৈরিবা টুরিষ্ট দেষ্টিনেসনশিং ফেষ্টিভেল অসিদা উংকদৌরি।

ঙসিগী হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ডা. সাপম রঞ্জননা থৌরমগী হৌদোকপগী মৈরা চুখৎখি। লোয়ননা নাগালেন্দগী টুরিজম ইন চার্জ খেহোভি সেমা, এম্বেসেদর ওফ ইন্দিয়া টু থাইলেন্দ সিচিত্রা দুরাই, দিপ্যুটি কর্ম্মস মিনিষ্টর, থাইলেন্দ চুটিমা বুনয়াপ্রফাসরা অমসুং মেঘালয়গী এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরি আর ভি সুচিয়াংসু শরুক য়াখি।

# আই আর বিগী ফিজিকেল টেষ্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৮ঃ ১০ শুবা অমসুং ১১ শুবা আই আর বিগী বতালিয়নগী রাইফলমেন লৌবগী মখা তাবা দি পি সিগী মতম লেপখ্রে। দি পি সি অসি মণিপুর রাইফলগী অনীশুবা বতালিয়ন গ্রাউন্দা পাঙথোক্কনি।

দি পি সি অসিগী চিয়ারমেন ওইরিবা এদিসনেল দি জি (প্রিজন এন্দ ট্রেনিং) পি দৌঙেলনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না দি পি অসি নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক পূং ৮ দগী হৌগনি।

চেরোল অসিগী মতূং ইন্না কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ফেব্রুৱারি ১২দা চেস নম্বর ৮০১দগী ১৭০০ ফাওবা অদুগা ফেব্রুৱারি ১৩দনা চেস নম্বর ১৭০১দগী ২৬০৩ (সপ্লিমেন্টরি য়াওনা) ফাওবা পাঙথোক্কনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ফেব্রুৱারি ১৪দা চেস নম্বর ২৯০১দগী ৩৮০০ ফাওবা, ফেব্রুৱারী ১৫দা চেস নম্বর ৩৮০১ দগী ৪৭০০ ফাওবা, ফেব্রুৱারি ১৬তা চেস নম্বর ৪৭০১দগী ৫৬০০ ফাওবা, ফ্রেবুৱারি ১৮তা চেস নম্বর ৫৬০১দগী ৬৫০০ ফাওবা, ফ্রেবুৱারি ১৯দা চেস নম্বর ২৪০১দগী ৩৩০০ ফাওবা, ফেব্রুৱারি ২০দা চেস নম্বর ৩৩০১দগী ৪২০০ ফাওবনি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ফেব্রুৱারি ২১ দা চেস নম্বর ৪২০১দগী ৫১০০ ফাওবা, ফেব্রুৱারি ২২দা চেস নম্বর ৫১০১দগী ৬০০০ ফাওবা, ফেব্রুৱারি ২৩দা চেস নম্বর ৬০০১দগী ৬৯০০ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ফেব্রুৱারি ২৫দা চেস নম্বর ২৪০১দগী ৩৩০০ ফাওবা অমদি ফেব্রুৱারি ২৬তা চেস নম্বর ৩৩০১দগী ৪১৩৯ (সপ্লিমেন্টরি য়াওনা) ফাওবা পাঙথোক্কনি।

# লম্বীদা ফমজিনবগী খোঙজং চঙশিনবা তকথোক্লবা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস কাপখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৮(এস এন এস)ঃ লোক সভাদা পাস তৌখিবা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬গী মায়োক্তা মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী লুপ ৭২ পুল্লগা শেমখিবা কোর–কম্মিটি মণিপুর পিপলস এগেনষ্ট বি এ বি (মেনপেক)কী লমজিং মখাদা ঙসিসু মখা তানা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লম্বীদা ফমজিনবগী খোঙজং চংশিনখ্রে। খোঙজংলোইশিং তকথোক্লবা হোৎনবদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেল কয়া কাপখ্রে। মীয়াম্না ঙসি হৌরিবা ইহৌ অসি তুংদা হৌরক্লিবা ইচা ইশুশিংগীদমক্তনি হায়না মেনপেককি মেম্বর ওইরিবা অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ দেবাননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি খোঙজং চংশিনখিবা মফমশিং অদুদি থাংমৈবন্দ দি এম কলেজ রোদ, উরিপোক কাংচুপ রোদ, শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকাই, খুরাই পুথিবা লৈকাই অমসুং লিলোংনি।

ঙসি অয়ুক পুং ১১রোম তাবদগী হৌদুনা উরিপোক কাংচুপ রোদকি কানটিন লৈরক মচিনদা মীয়াম্না থোক্লক্তুনা লম্বী তংখায় থিংবগী খোঙজং চংশিনখি। খোঙজং অদুনা মরম ওইদুনা লম্বী অসিদা চাউনা ত্রাফিক জাম থোকপদগী অচৎ–ওকশিংদা খুদোংচাদবা থোকহনবদগী খোঙজংলোইশিং অদু তকথোক্লবা ইম্ফালগী এস পি অমদি এদিসন্নেল এস পি না লুচিংবা পুলিস মফমদুদা চংশিল্লকখি। খোঙজংলোইশিং অদুগা ৱারী শান্নরগা লম্বী থিংলিবা অদু হাংদোক্লবা খঙহনখি। অদুবু খোঙজং লোইশিং অদুনা লম্বী ময়াইদা অদুম্মক ফমজিন্দুনা লৈখিবদগী তকথোক্লবা হোৎনবদা নাকল অনীগী মরক্তা চাউনা মুক্লরকপদগী খোজংলোইশিং অদুবু নমদুনা তকথোক্লবা হোৎনবদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেলশিং লংশিন্দুনা পোকখায়হনবদগী খোঙজং লোইশিং অদু কায়দুনা চেন্নখি।

তুংদা নুমিদাংৱাইরম অমুক খোঙজং লোইশিং অদু পুনশিন্নরক্তুনা মখা তানা হান্নগুম্না লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিল্লকপদা পুলিসনসু অমুক হন্না তকথোক্লা হোৎনবদা মুক্লরকখি। মদুদা নুপী পুলিস পার্সোল খরা অশোক অপন নংখি। তুংদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেল কাপতুনা খোঙজংলোইশিং অদু তনখায়খি।

থাংমৈবন্দ দি এম কল্লেজ গেটতসু মেনপেককী লমজিং মখাদা থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লব (টি য়ু সি)না শিল্লগা ঙরাংদগী হৌনা খুথাং চরা হেনবগা খোঙজংগা লোয়ননা থাংমৈবন্দদা লৈবা নমথালোং কবুই খুলগী নুপীশিং য়াওনা মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না লম্বী তংখায় থিংবগী খোঙজং চংশিনখি।

খোঙজং অদু ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদিস্নেল এস পিনা লুচিংবা সি আর পি এফকী নুপী পার্সোনেলশিংনা য়াওবা মশিং য়াম্লবা শেকুরিটি পার্সোনেলশিং থোমজিল্লক্তুনা তকথোক্লবা হোৎনবদা চরাংনবা থোকখি। তঞ্জাদুদা মেনপেককী মেম্বর ওইরিবা অমুকোগী প্রসিদেন্ট পিঐচ দেবা অমসুং সি সি এস কেগী কনভেনর জিতেন্দ্রা নিংঙোম্বা মফমদুদা লাক্তুনা খোঙজংদুদা য়াওশিনখি।

লম্বী থিংলিবা অদু পুলিসনা নমদুনা তকথোক্লগা গারী থাজিল্লকপদা দেবান অমদি অতৈ খোঙজংলোই নুপী খরানা থিংনবা হোৎনরুবদা পুলিসকা মুক্লরকপদগী অতৈ খোঙজং লোইশিংশু য়াওশিল্লকপদগী চাওনা চরাংনবা থোকখি। খোঙজংলোইশিং অদু লম্বীদা ফমজিনখি। তুংদা খোঙজং লোইশিং, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমসুং পুলিসকী মরক্তা ৱারী শান্নরবা মতুং খোঙজং অদু নুংথিল পুং ৪ ফাওবা চখখি।

খোঙজং অদুগা মরী লৈননা অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ দেবাননা হায়, সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসি রাজ্যা সভাদা পাস তৌদুনা চৎনরকপা তারবদি লমদমসিদা খুন্দারিবা য়েলহৌমী ঐখোয়গী হৌরক্লিবা ইচা–ইশুশিং ঈশিং খুয়া অমা থকফম লৈরক্লোইদৌরিবনি।

ঙসি ঐখোয়না হৌরিবা ইহৌ অসি তুংদা হৌরক্কদৌরিবা ইচা–ইশুশিং অদুগীদমক্নী। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা ফম্নাইবা খরনা চৌক্রি কোল্লগা লৈবগা লোয়ননা মশাগী খুদোংচাবা খরা ফংনবা হোৎনবদা ইনশিল্লগা চৎপদৌনা লৈথোকপসি পেন্দে হায়নসু দেবাননা মখাতানা ফোংদোকখি।

# চীফ মিনিষ্টরগী ৱাহৈদা সি এ বিল পাস তৌহন্নিংবগী অপাম্বা লৈরিঃ সোতিনকুমার

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৮ ঃ মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদি সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল,২০১৬ অসি রাজ্য সভাদা পাস তৌহন্নিংবগী অপাম্বা লৈরি হায়বসি মহাক্কী ৱাহৈনা তাকচরে হায়না সি পি আই ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরী লাইশ্রম সোতিনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

সি পি আই ষ্টেট কাউন্সিলগী ওফিস্তা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়,ৱাথোক ওইরবা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল,২০১৬ অসি বি জে পিনা রাজ্য সভাদা পাস তৌনবা কন্না হোৎনরিঙৈ চৈরকসিদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা বিল অসি নৈনবিয়ু,বিল অসিনা মণিপুরদা শোকহল্লোই হায়না ফোঙদোকখিবা অসিনা তাকপদি মহাকসু বিল অসি পাস তৌহন্নিংই হায়বনি। হিন্দু রাস্ত্রজি মঙলান মঙফাওননবা হোৎনরিবা বি জে পিনা মশীং য়ামদুনা লোক সভাদা পাস তৌখ্রবসু,রাজ্য সভাদদি ওপোজিসন মশীং য়াম্বা হেল্লি খঙবনিনা হুরান নলাদা বিল অসি পুথোরক্কনি। করিগুম্বা পুথোক্ত্রবসু লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনগী কোদ ওফ কন্দক্কী মমাঙদা কেবিনেটনা দিসিজন লৌদুনা বিল অসি চৎননবা হোৎনরক্কনি হায়বসু চিংনবা লৈ।

মহাক্ন মখা তারদুনা হায়খি, বিল অসিগী মায়োক্তা মণিপুরগী তোঙান–তোঙানবা সিবিল সোসাইটি কয়ানা পুন্দুনা শেমখিবা মেনপেক্না চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদুসু তোঙান–তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি ৯না পুল্লগা শেমখিবা সেক্যুল দেমোক্রেটিক ফ্রন্টনসু শরুক য়াদুনা লাক্লি। হয়েংসু কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাইগী কম্যুনিটি হোলদা সেক্যুলর দেমোক্রেটিক ফ্রন্টনা প্রোটেষ্ট মীটিং অমা পাঙথোক্কনি। লোয়ননা লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ১২দা বিল অসি সপ্লিমেন্টরি ওইনা পুথোরক্কনি হায়বগী চিংনবা লৈবনা মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা লম্বীদা থোকপীদুনা অকনবা খোঙজং মখল–মখা কয়াগী ওইবা চঙশিনবীয়ু। এস দি এফনা বিল অসিগী মায়োক্তা খোঙজংসু চঙশিনগনি হায়খি।

অমরোমদা,লাক্কদৌরিবা লোক সভাদা মীরেপ ওইগদৌরিবা মোইরাং থেম নরানা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা লৈনবগী দি রাজাগা উন্নবগীদমক ঙরাংসু ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

# অহুমশুবা ৱার্ল্ড বেম্বু ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে

## বেম্বু আর্টিসানশিং, এন্ত্রপেন্যুরশিংদা ইনোট পীগনিঃ ডা. নাজমা হেপ্তুল্লা

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুর লৈঙাক, ৱার্ল্ড বেম্বু ওর্গনাইজেসন অমসুং দিকমা ত্রেদ, মেক্সিকো অহুম পুন্না খুৎশম্নদুনা হৌখিবা ফেব্রুৱারি ৪গী হৌদুনা এসিয়াগী লৈবাকশিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা মণিপুরদা পাঙথোকপা ৩ শুবা ৱার্ল্ড বেম্বু ৱার্কশোপ ঙসি লোইশিনখ্রে। যু এস এগী কম্পনি অমগা মণিপুরগী এজেন্সি অনিগা য়ান্ন চেরোল খুৎয়েক পীনখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকপা নুমিৎ হুম্নিগী মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা বেম্বু ৱার্কশোপ লোইশিনবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা হায়, ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা ৱার্কশোপ অসিদা মালেমগী লৈবাক ৩৪ দগী ৱাগী মরমদা খঙ হৈরবা মীওই কয়ানা শরুক য়াবা অসি চাওথোকচনিঙাইহনি।

ৱার্ল্ড বেম্বু ওর্গনাইজেসননা মালেমগী মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা য়েলহৌঙেদগী শিজিন্নদুনা লাক্লবা ৱাগী শিজিন্নবগী মওংশিং অদুদা মালেমগী ওইনা চংশিনলক্লিবা সাইন্টিফিক, তেক্নিকেল অমসুং ত্রেদিস্নেলগী ওইবা লৌশিং কয়া পুশিনলক্লবা হোৎনদুনা লাকপনি।

মহাক্না হায়, মণিপুর অসি মহৌশানা ৱা মরাং কায়না ফংবগা লোয়ননা 'গ্রিন গোল্ড' হায়না খঙনরবা পাম্বী অসিবু ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী রিসোর্ছ ওইনা ওন্থোক্লবা চংশিনবা চংই।

ইম্ফালগী ৱার্কশোপ অসিদা ষ্টেট অসিদা মালেমনা শকখঙনরবা ৱাগী এক্সপার্টশিং, মপুং ওইনা কন্সত্রক্সন তেক্নোলোজি অমসুং লৌশিংগী মরমদা খঙ হৈরবা কয়াগী খ্বাইদগী চাউবা পুনফম অমা ওইরিবনি।

মালেমগী থাক্তা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিদা ৱাগী ওইবা পোত্থোক কয়া উৎপা এক্সিবিসন পাঙথোকপগা লোয়ননা খ্বাইদগী নৌবা প্রোসেসিং, ত্রিটমেন্ট অমসুং পোত্থোকশিং পুথোকপগী তেক্নোলোজি কয়া মালেমদা শকখঙবা ৱাগী এক্সপার্ট কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লি।

অসিগুম্বা ৱার্কশোপ অসিনা লমদম অসিগী ৱাগী পোৎলম শাবা আর্টিসানশিং অমসুং ৱাগী পোত্থোকশিং পুথোকপগী থবক তৌরিবা এন্টরপ্রেন্যুর কয়াদা চাউনা কান্নবা ফংহনগনি।

মসিনা লমদম অসিগী ফংজরিবা নেচরেল রিসোর্ছ অসিবু সাইন্টিফিক অমসুং তেক্নোলোজিগী মপান তাঙনা শিজিন্নদুনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোনদা চাউনা কান্নবা ফংহনগনি।

মালেমগী ওইনা ৱা অসি উগী মহুৎ শিন্না শিজিন্নবা য়াবা লোয়ননা মচি ওইবা পোৎলম কয়া য়াওরবা অনৌবা লম্বী অমা ওইনা লীনরক্লি।

ৱা অসি সষ্টেনেবল অমসুং ইকোফ্রেন্দলি ওইবা অফবা মহৌশাগী ওইবা রিসোর্ছনি। মণিপুর লৈঙাক্না মসিগী রিসোর্ছ অসিগী পোটেন্সিয়েল অসি খঙনা অসিগুম্বা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা থৌরম অসি যুম্বু ওইনা পাঙথোকপনি।

অসিগুম্বা ৱার্কশোপ অসিনা মহৌশাগী ওইবা ৱাগী লৈজরিবা পোটেন্সিয়েলশিং অসিবু লমদম অসিগী শেন্মীৎলোনগী ফিভম ফগাৎহন্নবা শিজিন্নবগা লোয়ননা মীয়ামগী হিংনবগী মপুং ফাবা লম্বী অমা পীবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

ৱার্কশোপ অসিনা মণিপুরগুম্বা মশাগী ৱাগী রিসোর্ছ লৈজবা ষ্টেট অসিদা মীয়াম অমসুং লৈঙাকপু মসিগী কান্নবা খঙহন্দুনা অচৌবা অওনবা পুরক্লবা লম্বী অমা পীরগনি হায়খি। মসিদগী ফংলকপা ইকোনোমিক বেনিফিট, এনভাইরনমেন্ট বেনিফিট অমসুং হেল্থ অমসুং ন্যুত্রিসনগী ওইবা কান্নবা কয়া অসি হেন্না সাইন্টিফিক ওইবা অমসুং ইকো ফ্রেন্দলি ওইবা মওংদা কান্নবা ফংহনগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা সেক্রেটরি দোনর নভিন ভর্ম্মানা হায়, এন ই সিনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংদা প্রোজেক্ট খরগীদমক শেনফমশিং থাদরি। মিনিষ্ট্রি ওফ দোনর অমসুং এন ই সিনা অৱাং নোংপোক্কীদমক অখন্নবা মীৎয়েং থম্লি।

অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা ৱা মরাং কায়না হৌরি। লোয়ননা মসিগী ভেল্যু চেইন অসি খঙবগী তাঙাইফদে। হৌজিক মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচরনা নেসনেল বেম্বু মিসন অসি নৌহৌননা শেমদোক্লি। মখোয়না ৱাগী ভেল্যু চেইন অসি লেপ্তুনা য়েংদুনা লাক্লি।

ৱাগী শিজিন্নফম কয়ামরুম লৈরি। লোয়ননা ৱা অসি লায়রবশিংগীদি উ ওইরিবনি। ৱাদা হিদাক কান্নরবা মচাক কয়াসু য়াওরবনি। ৱাদগী পোৎলমশিং শানবা হোৎনবা তাই।

ইন্দিয়াদা পুথোক্লিবা ৱাগী পোত্থোকশিং অসি মপুং ফানা ক্বালিতি কন্ত্রোল তৌবা তঙাইফদে হায়খি।

থৌরম অদুদা দাইসো য়ু এস এ অমসুং মিটাক মণিপুর অমসুং মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লোয়ননা দাইসো য়ু এস এগী মরক্তা এম ও য়ু অনি খুৎয়েক পীনখি।থৌরম অদুদা তেক্সতাইল কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ, ৱার্ল্ড বেম্বু ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট মিচেল অবাদি, ওর্গনাইজেসন অসিগী এক্সিক্যুটিভ দাইরেক্টর সুসেন লুকাস, ৱার্ল্ড বেম্বু ওর্গনাইজেসনগী এম্বেসেদর নির্মলা চোংথামসু শরুক য়াখি।

# সি এমগী ৱারোল তেনৱাগী চোইরোলনিঃ মাওইষ্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৮ ঃ সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল,২০১৬কী মতাংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমসি মহাক্কী মাষ্টর আর এস এসনা তন্বীবা পরা অদুনা মহাকপু লান্না লমজিংবগী খুদমনি। থৌওং অসি তেনৱানা অুম–অরান খঙদনা মহাক্কী মপুনা তম্বীবা মরোল খরা পংঙাং ঙাংবদুগা পাঞ্জকনি হায়না লোনা য়াদবা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরগী কোওর্দিনেট,ষ্টেন্দিং কম্মিটি কিয়োংহন মঙাংনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মরাল শিরি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়,মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্কী ওইনা সিটিজেন্সিপ হায়বসিগী ৱাহন্থোক পী। অসুম্না ইন্দিয়াগী ওইনসু সিটিজেন্সিপ এক্ট,১৯৫৫ অমা শেমদুনা লাকখিবনি। মণিপুরগী ওইনসু মণিপুর মীয়াম্না বেজ ইয়ার,১৯৫১ ওইগদবনি হায়রিবসি মণিপুরী সিটিজেন্সিপ হায়বসিগী ৱাহন্থোক পীনবা হোৎনবনি। মণিপুরনা বেজ ইয়ার ১৯৫১ হায়রিবসিগী ৱাহন্থোক ১৯৫১গী মমাঙদা মণিপুরদা লৈরম্বা মীওই খুদিংমক কাঙলূপ ফুরুপ অমদি লাইনিংগী খেন্নবা লৈতনা মণিপুরীনি হায়বনি। লৈরম্লিবা মীওই অদু ওইনিংবা ওইসনু খুদম ওইনা বিহারদগী চঙলকপা টেলি,নেপালদগী লাকখিবা নেপালি,বাংলাদেশতগী লাকখিবা বাংলাদেশিসু ওইবা য়াই নৎত্রগা মালেমগী মফম অমদগী হেক্তা লাপা ওইরবসু য়াই, মখোয় অদু ১৯৫১গী মমাঙদবু মণিপুরদা চঙলক্তুনা লৈখিবা ওইরগদি মণিপুরী কৌগনি হায়বনি। মসি কাঙলূপ,ফুরুপ অমদি লাইনিংদা খেন্নবা থমদবা সেক্যুলর ওইবা কাঙলোন্নি। নাকল অমরোমদনা অসাম একোর্দনা মরম ওইদুনা অসামদা সুপ্রিম কোর্টকী মিৎয়েং মখাদা এন আর সি শেম্লক্লিবসি ঐখোয়না খঙমিন্নবা চুমগনি হায়রি। মণিপুরগী বেজ ইয়ার ১৯৫১দা ওইবা অমদি অসামগী এন আর সিনা পীরিবা ৱাফমশিং অসি ইন্দিয়াগী সিটিজেন্সিপ এক্ট, ১৯৫৫কা কদাইফাওবা চুশিন্নে অমদি চুশিন্নদে হায়বদু মীয়াম্না নৈনবা চুমগনি। নাকল অমরোমদনা মণিপুরগী বেজ ইয়ার ১৯৫১দা ওইগনি অমদি অসামগী এন আর সিগী ৱাফমদা পল্লিবসি ইন্দিয়াগী সিটিজেন্সিপ এক্ট,১৯৫৫ লৈরগসু ফুরুপ কন্নবগী খোঙথাংশিংনি হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লি। মসিনা ফোঙদোক্লিংলিবা ৱাফমদি ইন্দিয়ান সিটিজেন্সিপ এক্ট,১৯৫৫গী ৱাফমসি নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম্না প্রোটেষ্ট তৌদুনা লাক্লি হায়বগী পাঞ্জক্লি হায়রি।

# ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৮ (এস এন এস)ঃ নেসনেল মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রাম, নেসনেল হেল্থ মিসননা শিন্দুনা মীওইবগী পুক্নিং ৱাখলগী মতাংদা মোরেদা লৈবা ইষ্টর্ন সাইন স্কুলদা ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নোদেল ওফিসার এন এম ঐচ পি মণিপুর ডা. এ রানিতা, মণিপুর হেল্থ সোসাইতিগী সেনিয়ার সাইকিয়াত্রিক্স ডা. ঐচ অঙোমচা, নোদেল ওফিসার দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রাম চান্দেল ডা. কে ঐচ রোবিনেদ্রা, দি এম ঐচ পি থৌবালগী এম চন্দ্রকুমার, ক্লিনিকেল সাইকোলোজিষ্ট এম হোরোজিৎ মঅসুং ই এস এস মোরেগী প্রিন্সিপাল কে শ্যামোনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা রিসোর্ছ পার্সনশিংনা মীওইবদা মতৌ করম্না পুক্নিং ৱাখলগী অনাবা অসি লাকপনো মসি মতৌ করম্না লায়েংগদগে, লোয়ননা অসিগুম্বা পুক্নিং ৱাখলগী অনাবা লৈরবা মীওইশিংবু মতৌ করম্না লোয়নবীগনি হায়বগী মতাংদা স্কুলগী মহৈরোইশিংদা কুপ্না খঙহনখি।

# থৌবাল তুরেলগী ঈশিং...

*লমায় ১গী মখা*

য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী মহুৎশিল্লিবশিং অদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী সেক্রেটরী অমসুং মণপুর বাইওদাইভরসিটি বোর্ডকী মেম্বর সেক্রেটরীনি।

থৌবাল তুরেল ঈশিং মোৎশিনহনবা অসিগা মরী লৈননা থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেসন কম্মিটিনা মণিপুর হায়কোর্টকী রেজিষ্ট্রার জেনরেল এ গুনেশ্বর শর্ম্মাগী খূখাংদা ৱাকৎ চেরোল অমা পীশিনখি। চেরোল অদুদা ৱাকৎলিবশিংগী মনুংদা থৌবাল তুরেলদা নুঙ–লৈঙোই পেকপা খুদক্তা লেপহনবিয়ু। মীয়াম অমসুং কম্মিটিনা হঞ্জিন–হঞ্জিন ৱাকৎপদা তাখিদবা মরী লৈনবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌবিয়ু অমসুং থৌবাল তুরেলগী ফিভম হান্নগুম য়োকখৎপিয়ু হায়বনচিংবা য়াওই।

থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেস কম্মিটিনা মীয়ামগা লোয়না থৌবাল তুরেল ঈশিং লূ–নান্না থম্নবা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চঙনবা অকনবা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। থৌবাল তুরেলদা এক্সকাভেটর মেছিন কয়া অমা শীজিন্নদুনা তুরেলদগী লৈঙোই পেকপা অমসুং লৈঙোই চামশিনবনা তুরেল ঈশিং লৈখোম মচু ওইনা হৌখিবা চহী ২ রোমদগী হৌজিকফাওবা চেল্লে। থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেসন কম্মিটিনা লুচিংদুনা তুরেল ঈশিং মোৎপগা লোয়ননা বন্দ ফাওবা তৌখ্রবসু তুরেল ঈশিংদা অহোংবা লৈতবদগী থৌবাল তুরেলদগী নুঙ–লৈঙোই পুবা ট্রক থীংদুনা লৈঙোই হৈদোকপগী খোঙজংনচিংবা চঙশিনবসু লৈখ্রে। অমরোমদা থৌবাল তুরেলদা নুংঙ–লৈঙোই পেকপগী থবক তৌরিবা শিন্মীশিংনদি তুরেলদগী লৈঙোই পেকপনা হিংনবগী মরুওইবা পাম্বৈ ওইরিবনি। মফৌ দাম শেমগৎ–শাগৎপগী থবক্ল থৌবাল তুরেলগী ঈশিং ঈমায় হন্থহল্লে। মসিনা মরম ওইদুনা মহৌশাগুম তুরেলগী ঈশিং ঈমায় নুঙ–লৈঙোই চেন্থরকপা ৱাৎপনা শিন্মীশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে। নুঙ–লৈঙোই পেক্লবা তঙাই ফদনা এক্সকাভেটর মেছিন শীজিন্নবনি। তুরেলসিদা নুঙ–লৈঙোই পেক্তুনা হিংলিবা শিন্মীশিংগীদমক মণিপুর লৈঙাক অমসুং মরী লৈনবশিংনা পাঙবা য়াবা মতেং পাঙবিয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

# দ্রগ লল্লোনবা মীওই অমা...

*লমায় ১গী মখা*দ্রগ লল্লোনবশিং অমসুং দ্রগ পুথোক–পুশিন তৌবদা চেন্নবা মীওইশিং ফারবসু মরী লৈনবা কোর্ট অমক্তনা মতম চানা চৈরাক পীবা ঙমদে হায়না মীয়াম্না নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লরকপা লৈখি। মদুগী মতুং ইন্না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্না ময়াই কাবা দ্রগকা মরী লৈনবা কেসশিংদা চেন্নবশিং থুনা–য়ানা চৈরাক পীবা য়াননবগীদমক অখন্নবা ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট অমা লিংখৎখি।

কোর্ট অসিদা ময়াই কাবা দ্রগকা মরী লৈনবা কেস কয়ামরুম ৱায়েল চখরিবা মরম্না অথুবা মতমদা অতৈ কেস কয়ামরুমদা চেন্নবা মীওই কয়াসু মখোয়না তৌরুবা থবকশিং অদুগী জজমেন্ট লাউথোরকপা য়ানা লৈরে।

# বোম পোকখায়বগী ক্লেম...

*লমায় ১গী মখা*অমগা শোকখি। লান্দা অদু এম পি এগী মীওই অনীনা শাবা অখন্নবা টিম অমনা পাঙথোকখিবনি ।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়,ইম্ফাল ময়োলগী মী কুংনা তাবা মফমদা চখখিবা লান্দা ওইরবসু মীচম–মীয়াম শোক্তনবা পার্টিগী অকনবা দাইরেক্টিভগী মখাদা য়ারিবমখৈ মীচম–মীয়াম অশোয়–অঙাম য়াওহন্দনবা চেকশিন্না আই ও এফ খক্তদা টার্গেট তৌদুনা লান্দা অদু পাঙথোকখি।

মীয়াম্না য়াওল্লোই ঐখোয়গী পাঙ্গল ওইরিবনি। মরম অদুনা এম পি এ লান্নীশিংনা চখবা লান্দাশিংদা য়ারিবমখৈ মীচম–মীয়াম অশোক–অপন য়াওরোইদবা মওংদা য়েংদুনা থবক তৌদুনা লাক্লি। মসি নৎলমদ্রবদি ইম্ফালগী অকোয়বদা আই ও এফকী মথক্তা লান্দা কয়া লেপ্পা লৈতনা চখবা য়ারম্বনি। ঙরাংগী লান্দা অদু চখখিবা লান্নীশিং অশোয়–অঙাম য়াওদনা মখোয়গী য়ুনিটতা থুংখ্রে। থবক অদু মায় পাক্না পাঙথোকখিবগীদমক এম পি এগী সি ও এ এসনা লান্দা অদুদা শরুক য়ারুবা লান্নীশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

# সি এ বিনা ৱেসিয়াদা মৈ হৌবা...

*লমায় ১গী মখা* শোয়দনা ইন্দিয়াদগী তোখাইবা মনিংতম্বা লৈপাক ওইরক্কনি হায়বগী মীপায়বা চাওনা লৈরি। ফিভম অসি থোকখিদনবা ৱেসিয়া পুম্বা ইন্দিয়ানা পুময়োৎ য়োৎশিন্দুনা ফুরুপশিং অসি মাঙখিনবা থৌরাং ওইনা সি এ বিল অসি পুথোরকপনি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা ঐখোয় হিংনবগীদমক ইন্দিয়াগা মায়োক্লগদ্রা নৎত্রগা ঐখোয় মালেমগী লৈমায়দগী মুখৎখ্রসিরা হায়বা ৱাহং থোরক্লি। ঐখোয় মণিপুরী অমদি ৱেসিয়াগী মীয়াম পুন্না মরৌ চাওবা ইন্দিয়াগী তমথিরবা পোলিসি অসি মায়োক্লদুনা মায়থিবা পীনবগী ফিরেপ লৌফম থোকই হায়রি। মথং মথং...

# মণিপুর শোক্তনবা ক্লোজ অমা হাপত্রিবা...

*লমায় ১গী মখা*শোকহন্দবা নৎত্রগা বিল অসি নোর্থ ইষ্টতা চংনহন্দবা হায়বা অনীসিগী মনুংদা ক্লোজ অমা হাপ্তুবা শুকয়া য়ারোই হায়দুনা লৈঙাক অসিনা তকলিবনি। মসিগীসু মথক্তা মণিপুর পীপলস প্রোটেক্সন বিল এসেন্ট পিয়ু হায়নসু তক্লি। বিল অসি এসেন্ট পীহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা লেপ্তুনা তকশিনবসু মথৌ তাই। থেংখাং কয়াদা নমথাক তৌখিবগী থৌদোক লৈবদগী মীয়ামগী থম্মোয়দা নুংনাংবা ফাওরিবনি। মীয়ামগা লৈঙাক্লোই ঐখোয়গা করিসু খেন্নবা লৈতে। ষ্টেট অসিগীদমক্তদি ঐখোয় পুন্না ফাইট তৌবা তাবনি। অদুবু এজিটেসন তৌবদা নিশা য়াওবা,লোথুগায়বা,জাতি–বিজাতি নাইবা ৱাফমদি ফোঙদোক্লোইসি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না তারগা এক্সন লৌখৎলক্লবদি ঐখোয় লোইনা অৱাবা তাগনি হায়নসু মখা তাখি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি,সুপ্রিম কোর্টকী রিটায়ার্দ জজ ফাওবা অৱাবা তাবগী ৱাফম লৈরিবনি। লৈঙাক অসি মীয়াম্না শেম্বনি। ঐখোয় মীয়ামগী মীহুৎনি। মীয়ামদা লৈবা ৱাখল্লোন লৈঙাক্তসু লৈ। মীয়াম্না খল্লিবা ৱাখল অদুদগী ঐখোয়না তোখায়না খনবা লৈতে। সি এ বিলনা হৌজিক–হৌজিকমক মণিপুর শোকহল্লোই হায়বগী থাজবা পীরবসু বিল অসিনা তুংদসু মণিপুরদা মখল অমত্তগী অকায়বা পীহন্দবা অসিনি মথৌ তারিবসি। বি জে পি লিদ গভর্ণমেন্টকী লুচিংবা ওইরবসু মণিপুর লৈঙাক্না সি এ বিগী মায়োক্তা লৈ হায়দুনা কেবিনেট দিসিজন লৌরগা সেন্টরদা থারিবনি ।

লাইভলিহুড মিসনগী মখাদা অহানবা ফেজগী ওইনা লোন য়েন্থোকপা থৌরমগা মরী লৈননা মহাক্না হায়খি,মণিপুরদা ৱাটর বোডিশিং মরাং কাইনা লৈরবসু ঙাগী চাথোক ৱাৎপদগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী ঙা পুশিল্লক্লি। মসি ৱাটর বোর্ডি মরাং কাইনা লৈরবসু ঐখোয়না ঙা য়োক্তবদগী ঙাগী চাথোক ৱাৎতুনা মীরমদগী লৈরিবনি।

মরম অদুনা মণিপুরগী লোক্তাক পাৎ অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মার্সিলেন্দ কয়া অসি নীংথিনা শেংদোক্লগা ঙা য়োক্লবদি ইরমদম অসিগী চাবা কোন্নবা ঙাগী চাথোক পুথোকপা ঙমগনি। ময়াং ইম্ফাল,শেকমাইজিংনচিংবা মফমশিংদসু ঙা য়োকপা য়াবা মফমশিং মরাং কাইনা লৈ। মথৌ তারিবসি ঙা য়োক্কদবা ফার্মরশিংগী মশক খঙদোক্লগা মখোয়দা শেলগী তেংবাঙ পীদুনা ঙা য়োকহনবা অদুনি। পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী পান্দমদি মীয়াম ৱাহন্দবা,লৈবাক অসি সেল্ফ সষ্টেনেবল ওইহনবা, ইং তপ্পা,তংদু লৈতাবা মাঙদা চঙশিনবা লৈবাক ওইহনবনি। মদু অতৈ করিনসু নত্তে পোলিটিকেল ইনফ্লুয়েন্সননি। লৈবাক অসিনা ইহান হানবা ওইনা পায়খৎপা থবক অমা ওইনা চীং–তম অনীগী নুংশিননবা অদু হান্নগুম্না হঞ্জিনবা ঙম্লে। অনীশুবদা গো টু ভিলেজগী মখাদা ভিলেজ ২৭০০ রোম কোভর তৌদুনা ইমুংশিংনা করি চারি–থক্লি,কদাই ফাওবা মখোয়দা সপোর্ট পীবা মথৌ তাই হায়বসু খঙদোক্লে। হেল্থ কার্ড লাক্ষ অমা শাখ্রে, অয়ুসমান ভারতকী কার্ড শাবিদুনা মীওই কয়াদা খুদোংচাবা ফঙহনখ্রে।

লৈঙাক্না পায়খৎপা স্কিমশিংগী মখাদা লৌউবসু য়াদবা অদুগা ঙা য়োকপসু য়াদবা মফমশিংদগী ফুমদি চিংখৎলগা ফুমদি অদুনা হার ওন্থোক্লে। অদুগা মফম অদুদনা ঙা য়োকহন্নবা প্লানতৌরে। পেসি কলচর অমসুং কেটচ কলচর তৌহন্নবগীদমক্তা লোনগী তেংবাঙ অসি পীরিবনি।

কুমজা ২০২০–২২ ফাওবদদি মণিপুরদা ঙাগী চাথোক মরাং কাইনা পুথোক্তুনা মীরমদগী ঙা মখা তানা লৌদবা ঙল্লগনি। ঙামী ২৪০০ রোম মশক খঙদোক্লবা তুংদা অহানবা ফেজগী ওইনা ঙামী ২৪৭তা লোন পীবনি। ঙাগী মচিঞ্জাক শুংনবা মেছিনসু থুংলরগনি। ঙাগী মচিঞ্জাক শুংবদা চঙবা চুজাক অমসুং সোয়াবিন থাহল্লক্লবগী থবকসু মাংজৌননা হৌহনখ্রবনি। ঙাগী মচিঞ্জাক পুথোক্লবদি ঙামীশিংদা চাউনা কান্নরগনি।

লৈঙাক অসিগী পান্দমদি ফার্মরশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্দুনা মচা–মশুশেম্বদা মতেং ওইহন্দুনা অৱাবশিং কোকহনবনি। ঙা য়োক্লগা পুথোরক্লদবা ঙাগী পোত্থোকশিং অদু লৈবীনবগী লৈবীনবা ঙাক্তনি। পোৎ য়োনবদা অৱাবা করিসু লৈরোই। মরমদি লমদম অসি ঙা চাদবা মী লৈতবনি। লোয়ননা লোনগী শেনফম অসিসু মতম চানা শিংগৎপীয়ু। বেঙ্কশিংনা ফার্মরশিংদা লোন পীবদা য়ারিমখৈ শমজিল্লগা লোন পীবিয়ু। লৌউববু ওইরবসু ঙাক য়োকপবু ওইরবসু মখোয়সি সিজন নাইবা থবক ঙাক্তনি।

য়াম্না ৱাহন্দনা লম্বী শাংদোক্তনা লোন পীবিয়ু। অদুগা ফার্মরশিংনসু হায়নবা তৌদনা লোন শিংগদবনি। লোন পীখিবা বেঙ্কশিং অদুদি–এম এস সি বি, এস বি আই, য়ু বি আই, এম আর বি, পি এন বি, বি ও বি, আলহাবাদ বেঙ্ক, য়ু সি ও বেঙ্ক অমসুং আই ও বি নি।

দিপার্টমেন্ট ওফ ফিসরিজনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ঙামীশিংদা লোন য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা মিনিষ্টর কাইয়াশি, এম এল এ টি ঐচ রোবিন্দ্রো, ৱাই সুরচন্দ্র এম এল এ,ডা.রাধেশ্যাম এম এল এ, বিরা এম এল এ, দিপ্যুটি স্পিকর টি ঐচ রোবিন্দ্রো, চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেসবাবু অমসুং ফিসরিজগী দাইরেক্টর বিদ্যারানিসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।